**SAMSUNG COMBI**

SAMSUNG 40" LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
SAMSUNG 7.2 KG WASHER
₹ 46,000/-

TATA SKY FREE

SAMSUNG 43' SMART LED
SAMSUNG 190 LTR. REFRIG.
SAMSUNG 8 KG WASHER
₹ 57,500/-

SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

**SANSUI**


WASHING MACHINE

| | |
|---|---|
| 6.5 KG | = ₹ 7999 |
| 7.2 KG | = ₹ 8999 |
| 8.2KG | = ₹ 10200 |
| 6.2KG Godz | = ₹ 8200 |
| 7KG New Godz | = ₹ 9200 |
| 8KG Godz | = ₹ 11500 |
| 8.5KG Godz | = ₹ 12000 |
| REFRIGERATOR | |
| 181 Ltr Godz | = ₹ 10600 |
| 190 Ltr Samsung | = ₹ 11400 |
| 190 Ltr 3 STAR Godz | = ₹ 13400 |
| 200 Ltr 3 STAR | = ₹ 13000 |
| SANSUI LED | |
| 32" LED SMART | = ₹ 11000 |
| 40" LED SMART | = ₹ 19000 |
| 50" LED (4K) | = ₹ 29500 |

VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.


# স্পেনিস কোচ কিবু ভিকুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী কেরেলা ব্লাষ্টরগী হেদ কোচ ওইরগনি



কোচি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ
ইন্দিয়াগী প্রেমিয়র ফুটবোল লীগ অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ( আই এস এল)দা শরুক য়ারিবা কেরেলা ব্লাষ্টরনা লীগ অসি হেক হৌরকপদগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা সিজন খুদিংদা মখোয়গী হেদ কোচকী ফম শীন্দুনা লাক্লি। লোয়নন্না য়ুমজাকৈশা নুমিৎতা কেরেলা ব্লাষ্টরগী মেনেজমেন্টনা স্পেনিস কোচ কিবু ভিকুনাবু মথংগী লাক্কদৌরিবা ৭ শুবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ সিজনগীদমক হেদ কোচগী ফম পুরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

স্পেনিস কোচ অসিনা ক্লব অসিগী ৬ শুবা আই এস এল সিজনদা হেদ কোচকী ফম পুরম্বা দর্চমেন ইল্কো স্কেটোরিগী মহুৎ শীনগদৌরি। লোয়ননা কিবু ভিকুনানা চহী অসিগী আই লীগতা মোহন বগানবু লীগকী টাইতল লৌবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা কোচনি। আই এস এলগী পাঙথোকখিবা সিজন ৬ তা কেরেলাদা বেজ তৌবা ক্লব অসিনা প্রামিনেন্ট হেদ কোচ ৭ অমসুং কিয়র টেক্কর মেনেজর ১ শীনখ্রে।

হন্দক্তা কেরেলা ব্লাষ্টরগী নৌনা স্পোর্টিং ওফ ডাইরেক্টরগী ফম পুখিবা লুথিনিয়ান কারোলিস স্কিনকিসনা স্পেনিস কোচ অসিবু হাঙদুনা লৈরম্বা মখোয়গী হেদ কোচগী ফম পুহনবগী কেন্দিটেদ খরা খনগৎপদা মকোক থোংবদা লৈখিবা কোচ অমনি হায়রি।

ক্লব অসিনা লৌখিবা খোঙথাং অসিনা দর্চমেন ইল্কো স্কেটোরিবু মখোয়গী মমাঙগী আই এস এল সিজনদা মরুওইবা শান্নরোইশিং শোকপনা মশক থোকপা প্রাফোমেন্স পীবা ঙমখিদবনা দর্চমেন অদুদা অৱাবা ময়োক্লখিবনা অচৌবা মরম ওইরগা সিজন অসিদা মপুং ফানা ইল্কো স্কেটোরিগী মখাদা কেরেলাদা বেজ তৌবা ক্লব অসিবু অমুক মপুং ফাবা ক্লব ওইগনি খনলম্বা কেরেলা ব্লাষ্টরগী ফেনশিংদা অচৌবা অঙকপা অমা ওইরি।

অদুবু ক্লব অসিগী মেনেজমেন্টগী সোর্চ অমগী মতুংইন্না ইল্কো স্কেটোরিনা মথংগী লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী সিজনগীদমক টিম শেমগৎ শাগৎনবগী অয়াবা পীরবসু মহাক্না য়াখিদে হায়রি।

ফেজবুক পেজগী খুৎথাংদা কেরেলা ব্লাষ্টরনা হায়, ঐখোয়না আই লীগ ৱিন্নিং স্পেনিস কোচ কিবু ভিকুনাবু লাক্কদৌরিবা সিজনগীদমক হেদ কোচগী ফম পুরগনি। ঐখোয়না মহাক্কী সার্ভিস ফঙগদবা অসিদা নুংঙাইবা পোকই । ঐখোয়না ইল্কো স্কেটোরিনা লৈরিঙৈদা ক্লব অসিগীদমক তৌরমখিবা থবক থৌরমশিংগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকই। লোয়ননা দর্চমেন অসিগী তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা ওইরসনু হায়খি।

সিজন অসিগী আই লীগ ৱিন্নিং ক্লব মোহন বগানন্না মথংগী সিজন আই এস এলদা শরুক য়ানবগীদমক এ টি কেগা পূশিনখিবনা মখোয়গী মেনেজমেন্টনা এটোনিয়ো হর্বাসবু পূশিনলিবা ক্লব অনী অসিগী হেদ কোচগী ফম পুনবা ৱারেপ লৌখিবনা কিবু ভিকুনাবু মতোমতা ক্লব থাদোক্লবা ওইখি।

মশাগী চহী ৪৮ শুরবা স্পেনিস কোচ ভিকুনানা ইং ২০১৪ দা করিম বেঞ্চিরিফাগী মতুংদা কোলকটাদা বেজ তৌবা মোহন বগানগী ফোরেন কোচ ওইবা অহানবা ওইরি।

কিবু ভিকুনা অহানবা ওইনা মহাক্কী কোচিং কেরিয়রদা স্পেনিস ক্লব সি এ ওসাসুনাগী য়ুঠ টিমগী কোচ ওইনা ইং ২০০২ দগী ২০০৫ ফাওবা ফম পুরমখি। মসিগী মতুং ২০০৫ তগী ২০০৭ ফাওবা স্পেনিস লীগ ফোর্দ টাইয়রগী টিম সি দি রিভর ইগাগী হেদ কোচ ওইখি। ইং ২০০৮ য়ুরোদা পোলেনগী নেস্নেল টিমগী হেদ কোচ জান উরবানগী এষ্টিটেন্ট ওইখি। কিবু ভিকুনা পোলেনগী মকোক থোংবা লীগ ইকষ্ট্রাক্লসাদা শান্নবা ক্লব লিজিয়া ৱারসজৱা, জগ্লেবৈ লুবিন, লীচ পোজনান, স্লাক রোক্লোজ অমসুং স্পেনগী ওসাসুনাদা এষ্টিটেন্ট কোচ ওইনা ফম পুরমখি।

মহাক্কী অহানবা সেনিয়র টিমগী কোচ ওইখিবা অসি ইং ২০১৮ দা লুথিয়াগী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা এ লাইগদা শান্নবা এফ কে রিটিরিয়াদা ওইখি। মসিগী মতুং ২০১৮–১৯ সিজনদা পোলেনগী মকোক থোংবা লীগতা শান্নবা ৱিসলা প্লোককী কোচ ওইখ্রবা মতুং ২০১৯ দা ইন্দিয়াদা লাকখিবনি।

কেরেলা ব্লাষ্টরগী ওইনা আই এস এল হেক হৌবদগী কোচকী ফম পুরকখিবশিং অদুদি দেবিদ জেমস (২০১৪,২০১৮), পিটর টেলর ( ২০১৫), ষ্টিফ কোপেল ( ২০১৬), রিনি মুলেসটিন ( ২০১৭) অমদি ইল্কো স্কেটোরি ( ২০১৯)নি।

# ইন্দিয়ান ক্রিকেট্টর এসোসিয়েসনন্না হান্নগী ক্রিকেট্টরশিংদা তেঙবাংনবা হোৎন্নরি

মুম্বাই, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ
ইন্দিয়ান ক্রিকেট্টর এসোসিয়েসন ( আই সি এ)না বোর্ড ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া ( বি সি সি আই)গী পেন্সিন ফঙবগী ইলিজিবল ওইদবা অমসুং ৱারবা মতম অসিদা ইনকম লাকফম লৈতবা হান্নগী ক্রিকেট্টরশিংগীদমক আই সি এনা মতেং পাঙনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ইন্দিয়ান ক্রিকেট্টর এসোসিয়েসন ( আই সি এ)না মখোয়গী ফন্দগী লুপা লাক্ষ ১৫ দোনেট তৌনবা প্লান তৌরি অমসুং এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরশিংনসু মখোয় মখোয়গী অঙম্বা থাক্তা কন্ট্রিব্যুসন তৌনবগী পান্দম থল্লি।

আই সি এগী চীফ অশোক মলহোত্রানা হায়, ঐখোয়না জোনশিংদগী মতেং পাঙনবগীদমক হান্নগী ক্রিকেট্টর ৩০ খনগৎলে। লুরবা মতম অসিদা ঐখোয়না মতেং দরকার ওইবা হান্নগী ক্রিকেট্টরশিংগীদমক অঙম্বা শেল খরা মতেং পাঙবা পাল্লি হায়খি।

হান্নগী ইন্দিয়া ইন্টরনেস্নেল মলহোত্রনা মহাক্কী মায়কৈদগীসু থা অমগী পেন্সিন কখোক্লবা ৱারেপ লৌখি অমসুং এসোসিয়েসন অসিগী অতোপ্পা মেম্বরশিংসু কন্ট্রিব্যুসন অসিদা শরুক য়াবা লেপ্লি। ঐখোয়গী মেম্বরশিংনা খোঙথাং অসিদা অমত্তা ওইনা মান্না শৌগৎপা ঙম্লবদি মসিদগী হেন্না ক্রিকেট্টর অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংশিংদা মতেং পাঙবা ঙমগনি হায়না খল্লি।

আই সি এনা মেম্বর খুদিংমক্তা য়ামদ্রবদা লুপা লিশিং ১ দগী তাদনা কন্ট্রিব্যুসন তৌবিনবা খঙহনখ্রে। অমসুং খোঙথাং অসিগীদমক ফজবা পাউখুম ফঙদুনা মাঙলোমদা মায় পাক্না চঙশিনল্লি হায়না মলহোত্রদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক্তি শান্নরোই অমনা রঞ্জি ট্রোফিগী মেটচশিং শান্নরবদি পেন্সিনগী ইলিজিবল ওইরে অমসুং ঐখোয়না দোমেষ্টিক ক্রিকেটতা মশিং য়াম্না শরুক য়াখিদবা ক্রিকেট্টরশিং গীদমকসু পেন্সিন খরা ফঙনবা হোৎনরি। অদুমকপু অনৌবা পেন্সিনগী খোঙথাং বি সি সি আইদা খঙহনবা লৈত্রি হায়খি।




ইন্দির্য়ান ক্রিকেট্টর এসোসিয়েসনগী ওফিস বেঙ্গলুরুদা শাগৎনবা হোৎনরি। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স কোলদা আই সি এগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা লোকদাউন লোয়রবা মতমদা বেঙ্গলুরুগী মফম খরাদা ওফিস শাগৎনবগী খনগৎলবা মফমশিং অদুদা য়েংশিন্নবগী ৱারেপসু লৌখি। হিরম অসিগী মতাংদা মলহোত্রনা হায়,ঐখোয় খরা মার্চ থাদা বেঙ্গলুরুদা চৎনবগী শেম শারমখি অদুবু লোকদাউননা মরম ওইদুনা য়ৈথোকপা তাখি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা মহৌশাদা হঞ্জিল্লক্লবা মতমদা অমুক থবক থৌরমশিং অসি মখা চত্থগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# আর কে ইমোনা ঙাঙোম দিঙ্কুদা মতেং পাঙখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (এস এন এস)ঃ
শাগোলবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ রাজকুমার ইমো সিংহনা ইং ১৯৯৮ এসিয়ান গেমস বোক্সিং গোল্ড মেদালিষ্ট ঙাঙোম দিঙ্কুগী কেন্সর লায়না লাইয়েংনবগীদমক লুপা লিশিং ৫০ মতেং পাঙখ্রে।

আর কে ইমোনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, কেন্সর লায়না লাইয়েংনবগীদম দিল্লিদা চৎনবগী শেম শারিবা ১৯৯৮ এসিয়ান গেমস বোক্সিং গোল্ড মেদালিষ্ট ঙাঙোম দিঙ্কুগা ঐহাক্তা উন্নরে। লায়না অসি ঐগী ইমুং মনুংদসু থোক্তুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লখিবা লায়না অমনি। লায়না অসি ঐখোয়না থৌনা ফনা লাম্বেংনবা মথৌ তায়।

ঐহাক্না দিঙ্কুগী দিল্লিদা চৎনবগী শেম শাবদা অঙম্বা মতেং খরা পাঙবা ঙমজবা অসি নুংঙাইবা পোকই। লোয়ননা ঐহাক্না মণিপুগী চীফ মিনিষ্টরদা দিঙ্কুগী কোভিদ–১৯ টেষ্ট তৌবিনবগা লোয়ননা দিল্লি ফাওবা এয়র এম্বুলেন্সতা চৎক্কদবা অসিদা মথৌ তাবা এপ্রুভেল খুদিংমক মরীলৈন্নবশিংদগী ফঙহনবিনবা হায়জখ্রে। লোয়ননা ঙাঙোম দিঙ্কু মশা মউ ফনা এসিয়ান গেমসতা গোল্ড মেদল লৌখিবা অদুগুম্বা ফিভমদা অমুক হলকপা ওইরসনু হায়রি।

নীংশিংবা য়াই মদুদি এসিয়ান গেমস গোল্ড ৱিন্নিং বোক্সর ঙাঙোম দিঙ্কু সিংহবু বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়না মহাক্কী লিভর কেন্সর লায়েংন্নবগী মখা চত্থনবগীদমক এপ্রিল ২৫ দা এয়র এম্বুলেন্সতা দিল্লিদা পুরগনি হায়না ফোদোকখিবা লৈখ্রবনি।

# নিমান গ্রোদনোনা বি জি য়ু রিজার্ভ থোয়খ্রে

মিন্কস, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ
বেলারস রিজার্ভ লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নিমান গ্রোদনো রিজার্ভনা ইনরজেটিক বি য়ু জি রিজার্ভবু গোল ২–১ দা অমসুং দিনামো মিঙ্ক রিজার্ভনা স্মোলবিচি রিজার্ভপু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা নিমান গ্রোদনো রিজার্ভকী গোলশিং অদু ইমিরসিগে ভাইয়কনা মিনিট ৪৫ অমসুং ৭৯ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা ইনরজেটিক বি জি য়ু রির্জাভকী গোল অদু ইমিরনা মিনিট ৬৭ দা চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মায় পাক্লবা দাইনামো মিঙ্কস রিজার্ভকী গোলশিং অদুনা রমান দেবিসিবানা মিনিট ৮ অমসুং ৮৫ দা অদুগা জেল্লিননা মিনিট ৫৫ চৎপতা চনখি।

# এন্যুয়েল ফী থিনবগী মতম শাঙদোক্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (এস এন এস)ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী এল জয়টিরমোই রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না কোভিদ–১৯না মরম ওইদুনা চত্থরিবা লোকদাউনন্না দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিংনা এন্যুয়েল রিন্যুএল ফি অমসুং অতোনবা শেনফমশি থিদোক্লবগী মতম অদু মে ৩০ ফাওবা শাঙদোক্লে হায়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# খৃস গেল কেরিবিয়ান প্রেমিয়র লীগতা লুসিয়া জৌককীদমক খূৎয়েক পীনখ্রে




সেন্ট লুসিয়া, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ
ৱেষ্ট ইন্দিসকী বেটসমেন খৃস গেল কেরিবিয়ান প্রেমিয়র লীগ (সি পি এল) ২০২০ এদিসনদা লীগ অসিদা শরুক য়াগদবা সেন্ট লুসিয়া জৌকগী ওইনা মার্কিয়ু প্লেয়র ওইনা খূৎয়েক পীনখ্রে হায়রি।

খৃস গেলনা লীগ অসিগী হৌখিবা এডিসনশিংদা জমাইকা টলাৱাস অমসুং সেন্ট কিদস এন্দ নিভিস পেরোইটগীদমক শান্নখ্রে। লোয়ননা মহাক্না জমাইকা টলাৱাসকীদমক শান্নরিঙৈদা সি পি এলগী টাইতল অনীরক লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা পেরোইটকীদমক ২০১৭ দা ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখি।

লেফট হেন্দেদ বেটসমেন অসি টি ২০ ফোরমেদতা রন খ্বাইদগী মশিং য়াম্না লৌবা ঙম্বা ক্রিকেট্টর ওইবত্তা নৎতনা সেঞ্চুরি খ্বাইদগী কনবা ঙম্বা বেটসমেন অমসু ওইরি। কেরিবিন প্রেমিয়র লীগতা মহাক্না হৌজিক ফাওবদা টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না রন ২৩৪৪ লৌদুনা লীগ অসিদা রন খ্বাইদগী মশিং য়াম্না লৌবা বেটসমেন ওইরি।

খৃস গেলনা সেন্ট লুসিয়া জৌকতা লাকপা অসিদা ক্লব অসিদা নৌনা কেপ্তেনগী ফম পুহনখ্রবা দেরেন সেমিনা হায়, খৃস অসি ক্রিকেট মশান্নগী টি ২০ ফোরমেদতা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মশক থোক্লা শান্নবা ঙম্বা বেটসমেন অমনি।

অমসুং মহাক্কী মতম শাঙনা মশান্না অসিদা লৈরক্লবা এক্সপ্রিয়েনশিংনা ইনখৎলক্লিবা ওপন্নরশিংনা মঙোন্দগী তমজনিঙাই কয়া লৈরি। সি পি এল ২০২০ সিজন খৌরাংনা ঙাইবগা লোয়ননা মালেম শীনবা থুংনা শন্দাক্লিবা কোরোনাভাইরস লাইচৎ অসিবুসু শন্দোরকপা লেপখিদুনা টি ২০ টুর্নামেন্ট অসিবু মপুং ফানা নুংঙাইনা শান্নবা পামই হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

সেন্ট লুসিয়া জৌকগী কোচ এন্দি ফ্লোৱরনা হায়, ঐহাক্না খৃস গেলগা মতম কুইনা খঙন্নদুনা লাকই। মহাক্না ইং ২০০০ দা ট্রিনদা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ অদুদা অহানবা ওইনা শান্নবা হৌখিবনি। খৃসনা ক্রিকেট মশান্নগী ফোরমেদ অহুমক্তা মশক থোক্লা শান্নদুনা মশান্না অসিদা মালেমগী মফম কয়াদা খঙন্নরবা শান্নরোই অমা ওইরি।

লোয়ননা লাক্কদৌরিবা এডিসন অসিগা সেন্ট লুসিয়া জৌককী ওইনা দেরেন সমি অমসুং খৃস গেলগা পূন্না থবক তৌমিনগদৌরিবা অসিনা টিম অসিগীদমক্তী অখন্নবা চহী অমা ওইরগনি হায়খি।

কিরিবিন প্রেমিয়র লীগ অসি ওগষ্ট ১৯ দগী সেপ্তেম্বর ২৬ ফাওবা পাঙথোক্লবগী পান্দম থল্লি অদুবু মালেমগী ওইনা মায়োক্লরিবা কোভিদ–১১৯ লাইচৎকী ওইরক্লিবা মওং অসিসু টুর্নামেন্ট শীনলি লাঙলিবশিংনা কূপ্পা য়েংশিনল্লি।

# গোকুলম কেরেলা এফ সিনা ওনলাইন ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে




কোজিকোদ, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ
আই লীগ ক্লব গোকুলম কেরেলা এফ সিনা চহী ১৪ মখাগী অঙাংশিংদা ওনলাইন ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম পায়খৎপা হৌখ্রে। প্রোগ্রাম অসি ক্লব অসিগী টেক্নিকেল ডাইরেক্টর বিনো জোজনা ইনচার্জ ওইদুনা পাঙথোক্লি। লোয়ননা প্রোগ্রাম অসিবু মায় পাক্নবা হোৎনবদা মাইকেল মাট্রিসিয়ানি (ওষ্ট্রেলিয়া), জেমস মেক্কুন ( ইংলেন্দ), সিমোনি ক্বাইন্টিলি (ইটলি), জোর্জ লোপেস (স্পেন) অমসুং মিরান্দা গ্রাসিয়া ( ব্রাজিল) সু শরুক য়ারি।

বিনো জোর্জনা হিরম অসিগী মতাংদা হায়, চহী ১৪ মখাদা লৈবা অঙাংশিংনা প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক সাইন তৌবা হৌরে। অমসুং তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী কোচশিংনা মখোয়বু সেসন খরা চত্থবা হৌখ্রে।

ঐহাক্না কোচশিং অসিবু মশক মুন্না খঙই অমসুং প্রোজেক্ট অসিদা শরুক য়াবসি অপেনবা পোকই। লৌখৎলিবা খোঙথাং অসিনা গোকুমল কেরেলা এফ সিনা কেরেলাগী দিষ্ট্রিক্ট ১৪ দা ফোরেন কোচশিংগী মখাদা ত্রেন তৌহৌদুনা একাদেমি হাঙদোক্লবগী অচৌবা মরম ওইগনি।

ফুটবোলগী লমদা ওনলাইনগী খুৎথাংদা তৌবা য়াবা থবক থৌরম কয়া লৈ লোয়ননা ত্রেন্নরশিংনা মখল মখা কয়াগী চার্ট শেমদুনা মখোয়বু য়ূম য়ূমদা পাঙথোক্লবা হোৎন্নরি লোয়ননা ঐখোয়না মখোয়দা ফুটবোলগীদমক মথৌ তাবা দাইদকী মতাংদসু অঙাংশিং অসিদা তাকপী তম্বীরি হায়না ফোঙদোকখি।

# ৱেষ্ট হাম অমসুং ক্রাইস্তেল পেলেসনা ওষ্ট্রেলিয়া টুর কোভিদ–১৯ না মরম ওইদুনা তোকখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ
ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব ৱেষ্ট হাম অমসুং ক্রাইস্তেল পেলেসনা জুলাই থাদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্বুইনলেন্দদা চৎনবগী শেম শারম্বা অদু নোভেল কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুননা তোক্লে হায়না প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অনী অসিনা য়ুমজাকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

ৱেষ্ট হাম অমসুং ক্রাইস্তেল পেলেসনা অহানবা ওইনা হৌদোক্কদৌরিবা ক্বুইনলেন্দ চেম্পিয়ন কপতা ওষ্টেলিয়াগী মকোক থোংবা লীগ ওইরিবা এ লীগতা শান্নবা হান্নগী ইংলেন্দ অমসুং লিভরপুলগী ষ্ট্রাইকর রোবি ফ্লাৱারনা কোচ ওইবা ব্রিসবেন রোরগা শান্নবগী শেম শারম্বনি। একজিবিসন অসি ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি ৩ দা হায়বদি টাউনভেলস, গোল্ডকোস এন্দ ব্রিজ মেনগা লোয়ননা ক্বুইনলেন্দদা চৎলিবা চহী অসিগী জুন ১১ দগী ১৮ ফাওবা টিম অমমমনা মেটচ অনী অনী শান্নবা সেদ্যুল তৌরম্বনি।

ক্রাইস্তেল পেলেসকী চিয়রমেন স্টিফ পারিসনা ক্লবকী ৱেবসাইদতা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, চৎলিবা চহী অসিগী জুলাইদা ক্বুইনলেন্দদা ঐখোয়না চৎপা ঙম্লোইদতবা অসিগীদম নুংঙাইতবা পোকই। লাক্কদৌরিবা ২০২১গী টুরদদি মসিবু ওইথোক্লবা হোৎন্দুনা ঐখোয়না অমুক রি এরেঞ্জ তৌগনি। সিজন অসিগী লেমহৌরিবা শরুকশিংনা নৌহৌননা সেদ্যুল তৌরক্লবকান্দা মথং সিজন টুরগীদমক ঐখোয়না খৎন্নগনি হায়রি।

ৱেষ্ট হামগী মেনেজর দেবিদ মোয়েসনা হায়, মালেমগী ওইনা ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা মীপুম খুদিংমকপু তেক্তা কায়দনা অমসুং শাফনা লৈবা অসিনা মরুওই হায়বসি তাক্লি। ক্লব অসিনা টুর পোজপোন্দ তৌবা অসিমক অচুম্বা খোঙথাংনি অমদি ক্লব অসিনা লাক্কদৌরিবা সিজনশিংগী ক্লব অসিনা শীনবা টুরশিংদা অমুক ওষ্ট্রেলিয়াগীদমক শেম শান্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# বার্লিন মরাথোন সেপ্তেম্বরদা পাঙথোক্লগনি

বার্লিন, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ
চৎলিবা চহী অসিগী সেপ্তেম্বর থাদা পাঙথোক্লবা শেম শারম্বা বার্লিন মরাথোন জর্ম্মন গভর্ণমেন্টনা মীয়াম তীনবদা অথিংবা থম্বনা মশাগী সেদ্যুল অদুদা পাঙথোক্লরোই হায়না লাউথোকখ্রে।

মরাথোন অসিবু শীনলি লাঙলিবা ওফিসিয়েল অমনা হায়, লৈবাক অসিদা মীওই লিশিং ৫ দগী হেনা পুনগদবা থৌরম ওইরবদি ওক্টোবর ২৪ ফাওবা গভর্ণমেন্টনা অথিংবা থম্বনা মরাথোন অসি পাঙথোক্লবগীদমক শেম শারম্বা মতম সেপ্তেম্বর ২৬, ২৭ অদুদা পাঙথোকপা ঙম্লোয়দবনা য়ৈথোক্লে হায়খি।

মরাথোন অসি চহী খুদিংগী মীওই লিশিং ১০ হেন্না শরুক য়াদুনা লাক্লিবা মালেমগী মমিং লৈরবা মরাথোন অমনি।

# ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী এজুক্যেটিব কম্মিটিনা লীগ কম্মিটিগী ৱরেপ অয়াবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি)ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন ( এ আই এফ এফ)গী এজুক্যেটিব পেনেলনা হৌখিবা লৈবাকপোকনা নুমিৎতা লীগ কম্মিটিনা আই লীগকী লেমহৌরিবা মেটচ ২৮ কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা শান্নবা তোকপদা অমসুং লীগকী লীদর মোহন বগানবু চেম্পিয়ন ওইনবগী ৱারেপশিং অদু অয়াবা পীখ্রে।

এ আই এফ এফনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়, এজুক্যেটিব কম্মিটিনা লীগ কম্মিটিনা লৌখিবা ৱারোয়শিন অমসুং ৱারেপশিং অদু য়াখ্রে অমসুং এ আই এফ এফ অমদি মরীলৈন্নবা ষ্টেট হোল্ডরশিংনা শান্নরোই, ওফিসিয়েল অমসুং ফেনশিং শাফনা লৈহনবা অসিদা অহানবা মীৎয়েং থমদুনা পূক্নিং চঙগদবনি। অমদি করম্বা মতমদা ফুটবোল য়াওনা অতোপ্পা স্পোর্টিং এক্টিবিটিশিং লৈবাক অসিদা অমুক মখা চত্থবা ঙমগনি হায়বা লুরি।




লীগ কম্মিটিনা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা মখোয়গী ৱরেপশিং অদু মপাঙ্গল কল্লবা এজুক্যেটিব কম্মিটিদা থাদনবা ৱারেপ লৌখিবনি। খ্বাইদগী নৌবা ৱারেপ অদুগী মতুংইন্না ইং ২০১৯–২০ সিজন লোয়শিনবদা অমসুং মোহন বগানন্না ২০১৯–২০ আই লীগকী ৱিন্নর ওইনা লাউথোকখি।

লীগ অসিদা চেম্পিয়ন ওইবগী মনাখক নৎতনা অতোপ্পা মনাশিংদি শরুক য়ারিবা ক্লব ১০ দা চপ মান্না য়েন্থোকপা হায়না ৱরেপ লৌখিবনি। অমসুং সিজন অসিদদি ইন্দিভিজ্যুয়েল মনাশিং অমত্তা থমদনা রিলিগেসন লৈতনবগী ৱারেপসু লৌখি।

এ আই এফ এফনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, চৎলিবা সিজন অসিগী ওইনা য়ুঠ লীগ খুদিংমক হায়বদি সব–জুনিয়র লীগ , জুনিয়র লীগ, দি ইলাইট লীগ অমসুং অন্দর–১৭ খেলো ইন্দিয়া গালর্স লীগ লোয়শিনলে অমসুং ইং ২০২০–২১ সিজনদগী ইনৌ নৌনা হৌগনি।

হৌজিক চত্থরিবা লোকদাউন অসি হেক লোয়রবা মতুং এ আই এফ এফ একাদেমি এক্রিদিটেসন প্রোসেসকী ওইনা মরীলৈন্নবা চেচাংশিং পীশিনলক্লবগী মতমসু শাঙদোক্লগনি হায়রি। লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস লাইচৎ থিংনবগীদমক থল্লিবা লোকদাউন অসি মে ৩ ফাওবা লৈখিগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই মদুদি ১৩ শুবা হিরো আই লীগ সিজন অসিদা মোহন বগানন্না পোইন্ট ৩৯, ইষ্ট বেঙ্গলনা পোইন্ট ২৩, পঞ্জাব এফ সিনা পোইন্ট ২৩, রিয়েল কাস্মিরনা পোইন্ট ২২, ট্রাউ এফ সিনা পোইন্ট ২২, গোকুলম কেরেলা এফ সিনা পোইন্ট ২২, চেন্নাইন সিটিনা পোইন্ট ২১, চুচিল ব্রাদরনা পোইন্ট ২০, নেরোকা এফ সিনা পোইন্ট ১৯, আইজোল এফ সিনা পোইন্ট ১৬ অমসুং ইন্দিয়ান এরোজনা পোইন্ট ৯ ফঙখিবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা লাইচৎ অসিনা মীওই লিশিং ২১ হেনবদা শোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ৬৮৬গী মপূন্সি মাঙহনখ্রে

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*